# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 25-02-2025)

**গভর্নর (এল)ঃ** কুমজা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা মালেমদা ভারতপু খ্বাইদগী চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা অৱাংবা থাক্কী ভারতকী মহৈ মশিংগী কাঙলোন হায়বসিদা নুমিৎ নিনি চথুগদবা জাতি থাক্কী মীফম অমা ঙসি মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি (ত্রিপল আই.টি) সেনাপতিগী সিটি কেম্পসতা রাজ্যপল-অজয় কুমার ভাল্লানা হৌদোকখ্রে।

রাজ্যপালনা কমপ্লেক্স অদুদা নৌনা শেমগৎপা মতমগা চুন্নরবা মহৈ তম্ফমশঙ অমসু শঙ্গাখি। ঙসিদগী হৌরিবা জাতি থাক্কী মীফম অদু বিদ্যা ভারত্তি উৎচা শিক্ষা সংস্থান মনিপুর ষ্টেটকা খুৎশমনা শিনবনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়-ভারতকী মহৈ মশিং অমদি গ্যান লৌশিংগী কাঙলোন অসি লৈবাক অসিগী অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিংদা মরুওইবা শরুক অমা ওইনা শক খঙবা হেনগৎলক্লি। অনৌবা এদুকেসন পোলিসি-এন.ই.পি. ২০২০ নসু মহৈ মশিং তম্বদা লৈবাক অসিগী অরীবা গ্যানগী চৎন-লোনচৎশিং য়াওহন্নবা হোৎনরি।

রাজ্যপালনা হায়-মনিপুরদসু অরিবা মতমদগী চৎনরকপা ফজরবা চৎন-লোনচৎ অমদি লৌশিং গ্যানশিং নীংথিনা শিজিন্নদুনা রাজ্য অসিবু হেন্না চাউখৎহনবা য়াগনি। ত্রিপল আই.টিগী মতাংদা পল্লদুনা রাজ্যপালনা হায়-ইন্সটিট্যুট অসিদগী থোরকপা মহৈরোইশিংনা টেকোলোজিগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা খুদোংচাবা কয়া ফংনবা হোৎনগদবনি। মদুনা ইশাগীতা নত্তনা রাজ্য অসিগীসু হেন্না য়াইফবা ওইগদৌরিবনি।

**নোংমৈ (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা আইননা য়াদবা মওংদা পায়রিবা খুৎলায়শিং নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা পীখৎলকবা ফোংদোকখিবা ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎতা বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা নোংমৈ ২৩ য়াওনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং সরেন্দর তৌরকখ্রে।

ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমী-আর.কে. মনিপুরসনানা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-নম্বোল পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নরকখিবা খুৎশু খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-এস.বি.বি.এল. নোংমৈ মঙা, কন্ত্রিমেদ রাইফল অমা, দবল বেরেল অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, টিয়ার স্মোগ গন অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, স্মোগ গ্রেনেদ অমা, টিয়ার স্মোগ সেল নিপান অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম য়াওরি।

মোইরাং পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নরকখিবা খুৎশু খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-এস.বি.বি.এল. নোংমৈ অমা, দবল বেরেল নোংমৈ অমা, করবাইন এস.এম.জি. অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা অমসুং নোংমৈ কয়ামরুম য়াওরি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ফাউগাকচাউ ইখায় পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নরকখিবা খুৎশু খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-এস.বি.বি.এল. নোংমৈ অমা, টুয়েল্ভ বোর কারটিজ মঙা, স্মোগ বোম অমা, ৱয়ারলেস সেট অমা অমসুং অতৈ পোৎলম খরা য়াওরি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দোদা খুৎশিন্নরকখিবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা এস.এল.আর. অমা ইনসাস রাইফল অমা, দবল বেরেল নোংমৈ অনি, এস.বি.বি.এল. নোংমৈ অহুম, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অহুম, পোইন্ট টু টুগী লোকেল মেদ পিষ্টোল অমা, লেথোদ সেল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ ৯, মোটার সেল অমা, ইস্তন গ্রেনেদ অমা অমসুং দিটোনেটর অহুম য়াওরি।

**এআর (এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী খেংজোই সব-দিভিজনগী মনুং চনবা গমফাজোল ভিলেজ মনাক্তা ঙরাং ত্রক অমা মীটর ১০০ রোম লুবা লোকখাদা তাশিনবদা অশোক অপন নংলবশিংদা অসাম রাইফলসনা মতেং পাংখ্রে হায়রি।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-লাইবক থিবা থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা অসাম রাইফলসকী কাংবু অদুনা মফম অদুদা থুনা চংশিনদুনা অশোকপশিংদা অহানবা থাব্বী লায়েং পীবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল চান্দেলদা পুদ্না লায়েংখি।

অমরোমদা, তেংনৌপল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং অসাম রাইফলস, বি.এস.এফ. অমসুং মনিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবুশিংনা য়ান্থৎতুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী সঙাইকোট সব-দিভিজনগী মনুং চনবা দমপি চিংশাংদা লম একর মরিরোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং ঙরাং য়ান্থৎতুনা মাঙহনখি।

তেংনৌপল জিলাগী খুদৈ খুল্লেন ভিলেজতা লম একর ২৫ রোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিংসু সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা য়ান্থৎতুনা মাঙহনখি হায়রি।

**নুমিৎ (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা হায়রি-শান্নবা হায়বসি অকা অকুম নাইবা খোঙচৎনি। মায়থিবা তানফম লাকপদা নীংহন্নবগী মহুৎতা হেন্না হেন্না কন্না হোৎনদুনা মায় পাকবা হোৎনগদবনি।

রাজ্যগী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা ঙসি খুম্মন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা শান্নরোইশিংগী নুমিৎ থৌরমদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যপালনা হায়-মায় পাক্তুনা তকমান ফংবা হায়বসি কন্না হোৎনরবা মতুংদা ইরোই লোয়বা পম্তুং অদুনি। মরম অদুনা, শান্নরোইশিংনা চোকথবা লৈতনা কন্না হোৎনদুনা মায় পাক্লবা শান্নরোই অমমম ওইনবা হোৎনগদবনি।

রাজ্যপালনা হায়-মনিপুর অসি মালেম থাক্কী মশক নাইবা শান্নরোই কয়া পুথোকপগী পুৱারী লৈজবা, চাউথোকচনিংঙাই ওহরবা লমদম অমনি। অদুগুম্বা শান্নরোইশিং অদুনা রাজ্য অসিদা নত্তনা লৈবাক অসিবুসু চাউথোকচবা ফংহল্লি। অসিগুম্বশিং অসিবু শক খঙবগা লোয়নন সরকারনা মনিপুরদা মালেম থাক্কী শান্ন-খোৎনবগা মরী লৈনবা মচাক মথুমশিং শেমগৎনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

ওল থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট যুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন অমসুং সোসিএল দিবলপমেন্ট কমিতিনা পুন্না শিনদুনা ঙসি শান্নরোইশিংগী নুমিৎ থৌরম থৌবাল জিলাগী চিংথামদা লৈবা এস.দি.সি. প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা নুপীশিংগী থৌরি চিংনবী অমসুং মুকা মশান্নশিং উৎখি।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** কমিতি ওন প্রোটেক্সন ওফ মীতৈ ভিক্তমস-মোরেনা শিনদুনা ঙসি মোরে, চুরাচান্দপুর, সুগ্ অমসুং কাংপোকপীদগী লাঞ্জেন্নরক্কুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা অকম্পাৎ রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা খুল ঙাকপশিং ফাবা য়ারোই, তোকখায়বা লৈঙাক্লোন লৈবা লমদম অমা পীবা য়ারোই, এন.আর.সি. চৎনহল্লু অমসুং লাঞ্জেন্নরবশিং হান্নগুম খুন্দা লৈতাহল্লু হায়বা দাবী কয়া তৌখি।

**সেমিনার (এল)ঃ** নুপী অমসুং মহৈরোইশিংদা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্সকী খুদোংচাবশিং মতৌ করমা ফংহনগদগে হায়বসিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবা অমা ঙসি চান্দেলগী লমবুংদা লৈবা যুনাইটে কলেজগী সাইন্স সেমিনার হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন-থুমলিপ তিনিংফম মোনশাংনা হায়-হৌজিক্কী মতমদা

আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স খুমাং চাউশিল্লকপা মরমনা মসিগী মতেংনা নুপীশিং অমদি মহৈরোইশিংগী পুন্সিদা কান্নবা কয়া পীরগনি।

**কামজোং (এল)ঃ** বেতি বচাউ, বেতি পরাউ স্কিমনা চহি তরা মপুং ফারকপগা মরী লৈননা খুৎশা-হৈবগী শিনফমশিংদা মীয়ামবু খঙহন হৈহনবগী থৌরম অমা কামজোং জিলাদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা খুলশিংগী খুল্লাকপা অমদি খুঞ্জাশিংনা শরুক য়াখি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** থৌনাওজম চাউবা মোমোরিএল চেরিটেবল ত্রষ্ট-শিংজমৈগী মেনেজিং ত্রষ্টি-থৌনাওজম রোমেনদা সমাজ সেভক নেসনেল এৱার্ড ২০২৫ পীরগনি হায়রি। মনা অসি মহাকা মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎপদা লৌরিবা থৌদাংশিংবু শকখঙদুনা গ্যানরতা সাহিত্য একাডমী-গুৱাহাতিনা মথং থাগী ৯ দা গুৱাহাতিদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা পীরগনি।

**মোদি-অসাম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-অসাম অসি খা নোংপোক এসিয়া অমসুং ভারতকী স্নাথোং অমা ওইরি অমসুং রাজ্য অসিদা খুদোংচাবা কয়াগী মফম অমা ওইরক্লি।

গুৱহাতিদা ঙসি পাঙথোকখিবা 'দা এদভান্তেজ অসাম টু পোইন্ট জেরো ইনভেষ্টমেন্ট এন্দ দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর সম্মিট' হৌদোকপগী মীফমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-অসামনা নোংপোক ভারতকী ওইনা পোৎ চৈ শেম শাবগী অচৌবা মফম অমা ওইবা ঙমগনি অমসুং থোইদোক হেন্দোক্লবা লমদম অসিগী কান্নবশিং উদোগকী মশক নাইবা মীওইশিংনা মশক খঙনা শিজিন্নবসু হায়খি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মহাক্কী সরকার অসিনা মফম অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপা লোয়ননা লম্বী থোংগী ফিভম ফগৎহন্নবসু হোৎনরি। অমদি মফম অসিগী ওইনা মীয়ামনা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং মতিক চানা ফংহন্নবা

লেপ্পা লৈতনা হোৎনগনি হায়না ফোংদোকখি।

শেল য়ামা চংহন্দনা পোৎথোক পুথোকপগী মতাংদসু ভারত সরকারনা কন্না হোৎনরি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। মহাকা হায়-কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকার অনিগী মরক্তা শান্তিগী য়ান্ন-চেরোল কয়ামরুম খুৎয়েং তৌনখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চহিশিংদা রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভমদা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙমলে।

শ্রী মোদিনা হায়-অসাম সরকারনসু উদ্যোগকী পোলিসি কয়া শেমদুনা ইং ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা অসামগী শেল থুমগী ফিভম দোল্লর বিল্লিয়ন ১.৫ য়ৌহন্নবা পান্দম থল্লি।

নুমিৎ নিনি চুপা চথুগদবা মীফম অসিদা মন্ত্রালয় তরেৎ য়াওবা মীফম অমসুং থিমেটিক সেসন ১৪ পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নগনি। খন্নগদবা ৱাফমশিং অসিগী মনুংদা মরুওইনা উদ্যোগকী লমদা চাউখৎহনবা পুরকবা, মালেমগী তোঙানবা লৈবাকশিংগা লল্লোন ইতিক্কী লমদা মতেং পাংননবা অমসুং ইগজিবিটর ২৪০ য়াওবা ভাইব্রেন্ট এম.এস.এম.ই. সেক্তর ওফ অসাম য়াওরি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-অনা লায়েংগী খুদোংচবশিং লৈবাক অসিগী মফম শিনবা থুংনা ফংহন্নবা অমসুং হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবা লোইশঙশিংনা থিজিন হুমজিনবগী থবক হেনগৎহনবা তঙাইফদে।

পাটনা মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতালগী চহি ১০০ শুবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রীমতি মুরুমনা হায়-অপিকপা সহরশিংদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা নীংথিনা ফংহল্লবদি লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা লোইশঙশিংদা মীয়াম লাকপগী চাং হন্থহনবা ঙমগনি।

আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) অমসুং খুৎশেমগী মীগী মতাংদা পল্লদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-মতমগী ওইনা চাউখৎলবা টেকোলোজিশিং শীজিন্নবনা

অনাবশিংবু লায়েংবদা চাউনা খুদোংচাবা পীগনি। লোয়ননা হোস্পিতাল অসিনা ফমুং লিশিং ৫,৪০০ থমদুনা মালেমগী ওইনা অনিশুবা খ্বাইদগী চাউবা হোস্পিতাল ওইবা ঙম্বগীদমক রাস্ত্রপতিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

রাস্ত্রপতিনা হায়-অনা লায়েংগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা মতম পুম্বদা লাইরবা অমসুং তোল্ল-তারবশিংগী খল্লগা থবক তৌবিয়ু। থৌরম অদুদা বিহারগী রাজ্যপাল-অরিফ মোহোমদ খান, মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমার য়াওনা অতৈ মন্ত্রিশিং শরুক য়াখি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা ঙসি ভারতকী কোস গার্দ পার্সোনেলশিংদা গেলেন্টরি, দিসতিংগুইস সার্ভিস অমসুং মেরিটোরিয়স সার্ভিস মেদলশিং য়েন্থোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পুন্না মেদল ৩২ য়েন্থোকখি। মেদলশিং অদুদি-দিসতিংগুইস সার্ভিসকী ওইনা তত্রকসক মেদল তরুক, গেলেন্টরিগী ওইনা তত্রকশক ১২ অমসুং মেরিটোরিয়স সার্ভিসকী ওইনা মেদল ১৫ য়াওরি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাজনাথনা হায়-সরকার অসিনা কোস গার্দকী থবক থৌরমশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরি। মহাকা হায়-শেনবা চহি ২০২৫-২৬ কী ওইনা কোস গার্দশিংগী ওইনা লুপা কোতি লিশিং ৯ লাখ ৬৭৬ কায়থোকই। মসি মমাং চহিগা য়েংনবদা চাদা ২৬.৬ কী চাংদা হেল্লবনি।

**দিল্লিঃ** হৌজিক চথুরিবা দিল্লি বিধান সভা মীফমদা আম আদমি পার্টিগী এম.এল.এ. ২১ নুমিৎ হুমনি সভাগী মীফমদগী সসপেন্দ তৌখ্রে।

সসপেন্দ তৌখ্রবা এম.এল.এশিং অদুগী মনুংদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-অতিসি, গোপাল রাই ইমরান হুসেন অমসুং বিসেস রবি য়াওরি।

দিল্লিগী উপ রাজ্যপাল-বিনয় কুমার সকসেনানা সভাদা ৱা ঙাংলিঙৈ

মতমদা ফজদবা থৌওংশিং চঠখি হায়বগী মরালদা এম.এল.এশিং অদু সসপেন্দ তৌখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা মন্ত্রি-প্রভেস সয়িদ সিংহনা বিরোধি এম.এল.এশিং অদুগী মথক্তা মোসন অমা থাংগৎলকখি। মোসন অদু সভানা ভোইস ভোটতা পাস তৌদুনা অয়াবা পীখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** শান্নরোইশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা থাংমৈবন্দগী থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা এম.এন.সি.এ. সেক্রেটরি এলবেননা স্পোর্টস জর্নেলিষ্ট এলভেনবু রন-৭৮ তা থোইখ্রে।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা এম.এন.সি.এগী মায়কৈদগী ঙসি শান্নখিবা শান্নরোইশিংদা খুদোলপোৎশিং পীদুনা তরামা ওকখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** ১২ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টি.সি.এম.দি.সি. থোংজন্না নপসা খা-ইম্ফালবু রন-৯ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈনা বি.এস.সি. (বি) ব্রহ্মপুর সঙাই চুথেকপু রন-৭ তা থোইখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** মরিশুবা নুপাগী এম.এন.সি.এ. অন্দর ফোরটিন টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালনা আর.সি.এ. লিলোংবু ৱিকেট মরিদা থোইখি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকা কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈবু ৱিকেট ৭ তা থোইখি।

**ত্রাইয়েল (এল)ঃ** এপ্রিল ১৮ দগীনা ২০ ফাওবা ন্যু দিল্লিগী তালকাতোরা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১০ শুবা ফেদরেসন কপ জিট-কুন্দো চেম্পিয়নসিপ-২০২৫ দা শরুক য়াগদবা মনিপুরগী শান্নরোইশিংগী রাজ্য থাক্কী

ত্রাইয়েল সেলেক্সন মথং থাগী অনিদা থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা ময়াই লৈকাই কম্মুনিতি হোলদা পাঙথোক্লগনি।